HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




কুকি টেররিষ্টশিংনা শুগুনু, সেরৌ অমদি নাপৎতা লান্দারক্তুনা য়ুম-কৈ কয়া মৈ থাখিবা অমসুং মীওই ৭ হাৎলগা অতৌনা শোকহনখিবা থৌদোকশিংগী চহী অমা মপুং ফারকপদা ‘শুগুনু অমঙ্গা নুমিৎ’ হায়না থৌরম পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবশিংদা হৈকৎ লৈকৎ তম্না


থম্মোয় পাউদম : মীৎনা শংশং উরিবা ইভোল্যুসন ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ মরক-মরক্তা চরা হেনবনা ফিরাক্কী কেন্সরদগী ...

লাইরিক্না লৈবাক ঙাক্তুবদি ‘লান’ থোকই, মীনা ‘লান’ ... ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ ‘অরিবা লায়েং-কাঙলোনশিং মুৎহল্লোইদবনি’

শাহজান শেখকী মথক্তা সি বি আইনা মর্দর চার্জ থাঙ্গৎলকখ্রে ☛ লামায় ৮

লামায় ১২ ☛ লমলেন ইভরগ্রীন ক্লব (বি) বাবুপারা মায় পাকখ্রে


হোটেল মেনেজমেন্টগী থবক ফংদ্রিবা নহাশিংবু থবক পীনবগীদমক ৰি ক্যের স্কিল সোল্যুসন্স অমদি এম্পৰার মি ফাউন্দেসননা শিলোংদা লৈবা ফাইভ ষ্টার হোটেল অমগা এম ও য়ু খুৎয়েক পীনখিবা




Vol. 48, Issue No. 057 | য়ুমশকৈশা, কালেনগী ২১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, May 29, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


# লৈঙাক্না মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদবদগী সাইক্লোন রেমালনা মীয়াম্বু ৱাহল্লে

## ৱাংজিং তুরেল খুদোংথীবগী থাক্তা চেল্লে, তেন্থাদা তুরেল খোংবান কাইরে

**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস) :** নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী সাইক্লোন রেমাল য়ৌশিল্লক্তুনা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা অকনবা নোংচুরকপনা মরম ওইরদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং তুরেলসু ঙসি নুংথিলদদি খুদোংথীনীংঙাইগী থাক্তা চেল্লে। তুরেল পরিং অসিদা লৈবা তেন্থাদনা মফম কয়াদা তুরেল লৌনম্বাল কায়বা য়াবা মওংদা ঈশিং চেল্লকপগা লোয়ননা তেন্থা খুঞ্জাও মপাদনা তুরেল খোংবান কাইদুনা ঈশিং চেন্থখি। তেন্থা খুনৌ অমসুং তেন্থা খোংবাল মপাদসু তুরেলগী ঈমাই ৱাংখৎলকপদগী মীয়াম্না তুরেল মপান থোনগৎপগী থবক চৎখি।

## কোটলেন মনাক্তা ত্রক অমা লোকখাদা চেন্থখ্রে, ঈরং তুরেলগী মথক্তা শাবা থোং ঈচেলনা চেন্থখ্রে





**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদসু অকনবা নোং-নুংশিৎ পুরক্লিবা ‘সাইক্লোন রেমাল’ লাক্লগনি হায়বা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা খঙদোকপা ঙমখ্রবসু মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহৌদবদগী সাইক্লোন অসিনা মণিপুর য়ৌশিল্লকখিবদা ষ্টেট অসিগী মফম অয়াম্বদা লৈরিবা মীয়াম খম থেংনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে।

থা অসিগী ২৬তগী হৌরদুনা সাইক্লোন অসিনা চুহল্লকখিবা নোং লেপ্লক্তবদগী ঙরাং নুমিদাংদগী হৌনা মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাও, লম্বী নীংখাইবা অমসুং থোং নমখায়দুনা চেন্থখিবনচিংবা থৌদোক কয়া পীক থন্না থোক্লে।

তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টতা লৈবা হায়ৰেশিংগী অকুৎপা শরুকশিং, য়ুম, লৈঙাক্কী ওফিস, হোস্পিটাল, স্কুল/কোলেজশিং খক্তা নত্তনা লাইনীংগী মরু ওইবা মফম অমসু ওইরিবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি টেম্পল ফাওবা ঈশিং থুমজিনখি।

সাইক্লোন অসিনা থোকহনখিবা থৌদোকশিংগী মনুংদনা এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বীগী ঈরং তুরেলগী মথক্তা শাবা বেল্লি ব্রিদজ তুরেল অসিগী অকনবা শাফুনা চেন্থখি। সাইকুল অমদি সপরমৈনা অনীগী মরক্তা ইম্ফাল তুরেলগী মথক্তা শাবা বেল্লি ব্রিদজ অমসু ঈশিংনা চেন্থখিবদগী লান্থোক-লানশিন য়াখিদ্রে। অদুগা এসিয়ন হায়ৰে -১নি হায়দুনা শেমগৎলক্লিবা ইম্ফাল-মোরে লম্বী পরিংগী শীংজমৈদগী থোংজু ফাওবগী মরক্তসু হায়ৰে অসিগী শরুক অয়াম্বা ঈশিং থুমজিনবদগী মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা মায়োক্নখি।

হায়ৰে ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## ইম্ফাল তুরেলগী ফীভম মীপাইনীংঙাই ওইরে



**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল তুরেলগী হৌরকফম মৰূশিংদা ঙরাংদগী হৌরদুনা নোং লেপ্তুনা চুরকখিবগা লোয়ননা তুরেল অসিগী মরীলদা তাশিল্লকপা ঈরম-নালাশিংগা পূনশিল্লগা তুরেল অসিগী ঈমাই খঙহৌদনা ৱাংখৎলকপদগী ঙসি নুমিদাং পুং ১১.১৫ রোম তারকপা ফাওবদা তুরেল অসিগী ফীভম মীপাইনীংঙাই ওইবা থাক্তা লৈখ্রে।

মফম খরদা তুরেল মপান কাইবা য়াওনা ইফুৎ ফাওরকপনচিংবগী মথক্তা মখা তানা মফম খরদসু তুরেল খোংবান কাইরক্কদ্রা হায়বগী মীপাইনবা থাক্তা লৈখি।

## অকাম্পাৎ রিলিফ কেম্পকী চাকশঙ থুল্লে লৈঙাক্কী লোয়শঙ কয়াসু ঈশিং থুমজিনখ্রে



নোংগী ঈশিংনা তাওথোক্লবা অকাম্পাৎ রিলিফ কেম্পকী চাকশঙ

**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৬তগী সাইক্লোন রেমালগী মনুং চন্না মণিপুরদসু নুংশিৎ শিৎপা য়াওনা লেপ্তুনা নোং চুরকখিবদগী মাঙজৌননা ইরম-নালা শেমগৎ-শাগৎহৌদবা মফমশিং পাক্তক্লনা ঈশিং থুমজিল্লকপগী মনুং চন্না ইম্ফাল ইষ্টকী অকাম্পাৎতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগী চাক-ঈশিং থোংফমসু ঈশিং থুমজিল্লক্তুনা খুদোংচাদবা মায়োক্নখ্রে।

অমরোমদা, মণিপুর লৈঙাক্কী য়াংলেন শরূ ওইরিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা লোয়শঙশিং কৃক-কৃক ইন্ননা লৈরিবা বাবুপড়াগী ওল্ড সেক্রেটরিএট অমসুং ন্যু সেক্রেটরিএট কমপ্লেক্স য়াওনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী হেদ ক্বার্টরগী কেম্পসসু ঈশিং থুমজিনখিবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নখ্রে।

লেপ্তুনা চুরকপা নোংনা মায়োক্নহল্লক্লিবা খুদোংচাদবশিং কোয়না ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুর লানগী মতাংদা দেল্লীদা পাউগী মীফম পাঙথোকখ্রে
## ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরদা চহী ১ হেন্না ঈরাং থোকহল্লিবা করিগীনো হংখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস) :** দেল্লীগী প্রেস ক্লব ওফ ইন্দিয়াদা দেল্লী মীতৈ কোওর্দিনেটিং কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্লদুনা মণিপুরদা চথরক্লিবা লান অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাহংশিং ইন্দিয়া লৈঙাক্তা হংখ্রে।





পাউগী মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা ইমাগী মৈরাগী কনভিনর টি ঐচ সুজেতা অমসুং দি এম সী সীগী কনভিনর ডা. সেরাম রোজেস অনীনা মীফম অসিগা মরী লৈননা খুৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোলদা ঙসিগী মীফম অসি মে ২৮, ২০২৩গী অঙনবা মতমদা মীতৈগী তোঙান তোঙানবা খুল ১৩দা অমুক্তদা চথরকখিবা এটেকতা মীতৈ ১২, ষ্টেট ফোর্স ২ অমসুং কুকি ২ শিরগা মীওই ৪৪ শোকখিবা নুমিৎ অদু নীংশিংদুনা পাঙথোকপনি হায়রি। অদুগা মীফম অসিগী ৱাঙাঙলোইশিংনা মণিপুরদা চহী ১ হেন্না ইন্দিয়া লৈঙাক্না করিগীদমক্তা ঈরাং থোকহল্লক্লিবনো হায়বা ৱাহংসু হংখি।

## ঈরং থোং চেন্থখিবদগী ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী ফাওনদ্রে, ওইল টেঙ্কর, গ্যাস বুল্লেট য়াওনা গাড়ী ২১৮ রোম লমখাংদা পনখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা সাইক্লোন রেমাল য়ৌশিল্লকখিবদগী লেপ্তুনা নোং চুরকখিবা অমসুং অকনবা নুংশিৎসু শিৎলকখিবনা মরম ওইরদুনা ষ্টেট অসিগী মরু ওইবা লাইফ লাইন অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বীগী ঈরং তুরেল মথক্তা শাবা থোং তুরেল অসিগী লৈরাই নীংখাইরক্তুনা অকনবা ঈচেলনা চেন্থদুনা পুখিবা য়াওনা কোটলেনদসু চীং নীংখাইরকপদগী হায়ৰে অসি মহৌশাগুম্না ফাওনবা ঙমখিদ্রে। থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইরদুনা ইম্ফাল তম্না ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ককচীংদা ঈচাও থোক্লক্কদ্রা মীপাইনরুরে

**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস) :** নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী লেপ্তুনা চুরকখিবা নোংনা মরম ওইদুনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতগী হৌরক্লগা পল্লেল, ককচীং, কৈরক, ৱাবগাই ফাওদুনা চেল্লিবা সেংমাই তুরেলগী ঈমাই ৱাংখৎলকপদগী করিগুম্বা মমাঙথক্তা থোকখিবগুম্না তুরেল অসিগী মথক্তা শাবা কৈরক বরাজগী সট্টর চিংখৎপা য়ারক্তদুনা ককচীং ঈথৈ মরূদা লৈবা মাইনর ইরিগেসনগী দাম কাইখিবা অদুগুম্না ঈশিং ঈচাও থোরক্কদ্রা হায়না মীপাইনরুরে।

থৌদোক অদু হৌখিবা কুমজা ২০১৫দা থোকখিবনি। ঙসিসু তুরেল অসিগী ঈমাই ৱাংখৎলকপদগী ৱাটর রিছোর্সেস লোয়শঙগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## মৈরা পায়বীগী ২৬শুবা নীংশিং নুমিৎ পাঙথোকখ্রে
## ‘লাইনীংগী ইস্যু শাগৎতুনা অপূনবগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনরক্লিবসি পুৱারীবু শীংনবনি’





**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস) :** হিংমিন্নবগী থৌদাং লৌমিন্নরক্লিবশিংগী মরক্তগী লাইনীংগী ইস্যু শাগৎলক্তুনা অপূনবগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনরকপা হায়বসিমক ঐখোয়গী মণিপুরগী পুৱারীদা শীংনরকপনি হায়না দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী হান্নগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর ডা. সী ঐচ সিলারমনিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মৈরা পায়বী নুমিৎ ওবজার্ভেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি খুরাই সলানথোংদা লৈবা থরো দেবী লম্পাক্তা খিনবা মৈরা পায়বীগী মীতম মখোঙদা পাঙথোকখিবা ২৬লক শুবা মৈরা পায়বী নুমিৎতা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মৈরা পায়বীগী মীতমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্দুনা ইকায়খুম্নবা উৎপনা মপুং ওইবা শরুক ওইখিবা ঙসিগী নীংশিং থৌরমদা মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরগী পুৱারীদা শীংনবা কয়া লৈরবসু শীংনরক্লিবা মখোয়না মাঙলোমদা চঙশিল্লকপা কৈদৌনুংদা ঙম্লোই। লমদমসিগী হৌখিবা পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা মৈরা পায়বী ইমাশিংনা লৌরম্বা থৌদাং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## সাম্যুএল জেন্দাই য়াওনা লুচিংবা ৩ কোংগ্রেসতা য়াওরকখ্রে
## ‘থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংগা মান্নরবা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্নরি’



**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস) :** তমেংলোং এ সীদগী এম এল এ ওইরক্তুনা লৈঙাক্কী মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্লবা হৌজিক্না জে দি (য়ু) গী নেসনল কাউন্সিল্লরসু ওইরিবা সাম্যুএল জেন্দাই, উরিপোক এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা ডা. এন দ্বিজমনি অমদি তমেংলোং ৱার্দ নম্বর ৯দগী সোসল ৱার্কর টি পি দিনিংনা কোংগ্রেসতা য়াওরকপদা পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা কোংগ্রেস ভবনদা তরাম্না ওকখ্রে।

লুচিংবা অহুম্না পার্টিসিদা য়াওরকপদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা হায়, ঙসি হান্নগী মিনিষ্টর অমা, বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা অমা অমসুং নহা লুচিংবা অমনা কোংগ্রেসতা য়াওরকপদা পার্টি অসি হেন্না মপাঙ্গল কলহল্লগনি। মীয়ামগীদমক থবক তৌগনি হায়না কখোল্লবা পার্টি অসিগী কন্সটিট্যুসন অমসুং কাঙলোনদা থাজবা থমদুনা কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌমিন্নগনি হায়না চঙবীরক্লিবনি হায়রদুনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মিজোরামদসু সাইক্লোন রেমাল লেন্দস্লাইদনা মীওই ১৮ শিরে, ১২ মফম খঙদ্রি

**আইজোল, মে ২৮ (এজেন্সী) :** অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ পুবা সাইক্লোন রেমালনা পীরকপা চৈথেংনা মরম ওইরদুনা ষ্টোন ক্বারি অমা নীংখাইরকপা য়াওনা মিজোরামগী আইজোল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মফমশিংদা লেন্দস্লাইদকী থৌদোকশিং মনম-মনম থোকচিল্লকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ শিরে অমসুং অতোপ্পা মীওই ১২না মফম খঙদ্রি হায়রি।

ষ্টোন ক্বারি নীংখাইরকখিবা থৌদোক অসি ঙসি অয়ূক পুং ৬ রোম তারকপদা আইজোল টাউনগা নক্না খা থংবা শরুক্তা লৈবা মেলথুম অমসুং লাইমেনগী মরক্তা থোকখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ষ্টেট অদুগী দি জি পি অনিল সুক্লানা ফোঙদোকখিবদা লেন্দস্লাইদনা মরম ওইরদুনা য়ামদ্রবদা মীওই অনী ননশিনখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক খ্বাইদগী থেংনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না লৈখিদবা মীওই ১৮শুরে হায়রি।

## কে সী পিগী ‘লান্থেংমিন্নসি ঐখোয়’ ফোঙখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২৮ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী সেক্রেটরি ইন-চার্জ (ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি) এস মঙালনা থোরকপা চেরোল অমদা লালহৌলূপ অসিগী লেপ্তুনা পুথোরক্লিবা চেফোঙ ‘লান্থেংমিন্নসি ঐখোয়’ গী কালেনথাগী এদিসন ফোঙলে হায়রি।





চেফোঙ অসিদা য়াওরিবা হীরমশিংনা এদিটোরিএলদা ‘ঐখোয়গী অরংবা পুৱারী অমা ইরসি’ অমসুং ‘মতমগী খোঙচৎতা মমি শামজিল্লক্লিবা মণিপুরগী ঙমখৈ’ ঐখোয় পূম্নমক্কী মাঙদা তারিবা ৱাফম : ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## মে ৩১ ফাওবা স্কুলশিং ছুটি থাদোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস):** স্কুল এদ্যুকেসনগী দিরেক্টরনা ঙসি থোরকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না নোং লেপ্তুনা চুশিল্লকপা অমসুং ঈচাও মায়োক্নরকপনা মরম ওইরদুনা ষ্টেটসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী, এদেদ, প্রাইভেট অমদি সেন্ট্রেল স্কুলশিং হয়েংদগী হৌরদুনা মে ৩১ ফাওবা ছুটি ওইগনি। মরকসিদা মিং চনবগী য়াওনা স্কুলগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা য়ারোই হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা


HL-B/8807/29

COMET SCHOOL
A Co-Educational Higher Secondary School
Changangei Uchekon near Tulihal Airport, B.P.O. Tulihal - 795140

ADMISSION PROCESS INCLUDING THE ENTRANCE TEST FOR CLASS-XI (Sc.) 2024-25 IS SUSPENDED TEMPORARY AS ORDERED BY DIRECTORATE OF EDUCATION (S)

Where excelling is the way of life..

Sd/-
Principal,
COMET SCHOOL

HL-B/8808/29

MECI EXPLORER ACADEMY
A Co-ed Hr. Sec. School affiliated to COHSEM, Changangei Uchekon, Imphal
www.meciexploreracademy.com

ADMISSION OPEN For
Class XI Science 2024 - 25
Admission through Screening Test
on 29th May, 2024 at 10:30 a.m.

Last date of offline form issuing and submission /online registration through www.meciexploreracademy.com is 29th May, 2024 till 9 a.m., office opens from 6 a.m.

# Top 20 students in Screening Test will be given free admission fee, free academic reference book, free studentship in NEET(UG) / JEE integrated classes during school hours solely under **the guidance of MECI Faculty collaborating with AIETS, New Delhi** for whole 2 years of class XI and class XII.

Striving for Excellence